# কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা গুৱাহাতিদা জুলাই ১২ ফাওবা টোটেল লোকদাউন তৌরগনি

গুৱাহাতি, জুন ২৬ (এজেন্সি):

কোভিদ-১৯গী কেস মশিং লেপ্তুনা হেগৎলকপদগী অসাম গভর্নমেন্টনা গুৱাহাতিদা জুলাই ১২ ফাওবা টোটেল লোকদাউন তৌনবা ৱারেপ লৌখ্রে। লোকদাউন মনুংদা ইসেন্সিয়ল সর্ভিসকা মরী লৈনবা নত্তনা কনাগুম্বা মীওই অমত্তা চৎথোক-চৎশিন তৌবা য়াহল্লোইদৌরি।

গুৱাহাতিদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙখিবদা হেল্থ মিনিষ্টর হিমন্তা বিস্বা সরমনা হায়খি, নোংম-নোংমগী কেস মশিং লেপ্তুনা হেনগৎলকপা মরম্না জুন ২৮গী অহিং নোংয়াইদগী হৌরগা জুলাই ১২ ফাওবা গুৱাহাতিদা টোটেল লোকদাউন তৌরগনি। নুমিৎ ৭ নিগী মতুংদা ফিভম য়েংশিল্লগা লোকদাউনগী কাঙলোন কোমথোরকপা য়াই। অদুমওইনমক গ্রোসরি শোপ অমসুং মনা-মশিং কৈথেল পুন্নমক থোঙ লোনগনি। কামরুপ (মেট্রো)দিষ্ট্রিক্ট নত্তবা অতৈ মফমদগী লাকপা গাড়ি অমত্তা চঙহল্লোই হায়রি।

হেন্না অকনবা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎপগী শরুক অমা ওইনা ইরাই নুমিত্তগী হৌরগা নুমিদাং পুং ৭ তগী অয়ুক পুং ৭ ফাওবা গুৱাহাতিদা কর্ফিয়ু থম্লগনি। ষ্টেটকী অতৈ অতোপ্পা সিটি অমসুং টাউন পুন্নমক্তসু থাংজ অমদি নোংমাইজিং নুমিৎ খুদিংগী টোটেল লোকদাউন তৌনবা ফিরেপ লৌরে হায়রি।

গুৱাহাতিদা ফিভম হেঞ্জিল্লকপগী মতাংদা মিনিষ্টরনা হায়খি, খনাপরাদা কোভিদ-১৯গী হোস্পিটাল অমা থৌরাং তৌবা লোইশিল্লক্লে। মতম অমুক্তদা পুন্না পেসেন্ট ৮০০ থম্ন বগী পান্দমদা কোভিদক্যের সেন্টর হাংদোকখিবনি।

চৈরকসিদা অরুনাচল প্রদেশকী হেল্থ মিনিষ্টর অলো লিবাংনা লাৱর দিবাং দিষ্ট্রিক্টতা চত্তুনা কোভিদ-১৯গী আইসোলেসন ৱার্দ অমদি দেদিকেটেদ হেল্থক্যের সেন্টরগী ফিভম য়েংশিনখি। মিনিষ্টরগী য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা ষ্টেটকী চীফ সেক্রেটরি নরেস কুমার, সেক্রেটরি (হেল্থ) পি পর্টিবান, লাৱর দিবাং ভেলিগী দেপ্যুটি কম্মিসনর মিতালি নমচুমসু লোইনখি।

## এন এস সী এন-আই এমগী কাদর ২ ফারে

ইটানগর, জুন ২৬ (এজেন্সি) :

অরুনাচল প্রদেশগী লোংদিং দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা জেদুৱা মনাক্তা আর্মি অমসুং পুলিসগী অপুনবা টিম অমনা থিবা-হুন্নগী থবক চথবদা এন এস সী এন-আই এমগী কাদর ২ ফারে।

ফারবা মীওই অনী অদুনা মীয়ামদগী নম-হাদুনা শেল খোমগৎপগী থৌওং চথদুনা লাকখি হায়না দিফেন্সকী পি আর ওনা থাদোরকখিবা চেরোল অমনা মরাল শীখি। কম্বাইন ফোর্সেসনা ফারবা মীওই অনী অদুদগী পোইন্ট ৩.২ পিষ্টল ২, কাপ্পা য়ারিবা মরু রাওন্দ ৬, মোবাইল ফোন ৩ অমসুং শেল ওইনা লুপা ৫০০০ ফংলে হায়রি। সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা ফারবা মীওইশিং অদু মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসন চথনবা লোংদিং পুলিস ষ্টেসন্দা খুৎশিন্নখ্রে।

## আই পি এফ টিগী লুচিংবা অমা হাৎলম্লে

অগরতালা, জুন ২৬ (এজেন্সি) :

ত্রিপুরাগী ধলাই দিষ্ট্রিক্টতা শকখঙদবা মীওই খরনা ইন্দিজিনস পিপলস ফ্রন্ট ওফ ত্রিপুরা (আই পি এফ টি)গী লুচিংবা অমা হাৎলম্লে।

হৌখিবা অহিংদা শকখঙদবা মীওই খরনা ৱারিস অলি কৌবা আই পি এফ টিগী লুচিংবা অসিগী ময়ুমদা এটেক চথরকখিবনি। অশোক-অপন নংবদগী গন্দাচরা হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়কন্নরবা মতুংদা ৱারিস অলিবু অগরতালাগী জি বি পি হোস্পিটালদা রিফর তৌখি। অদুমওইনমক হোস্পিটালদা পুবগী লম্বীদা মহাক লৈখিদবনি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি। শকখঙদবশিংনা চথরখিবা এটেক্তা অলিগী লোইনবীসু শোকখি।

# নোর্থ-ইষ্ট ইন্দিয়াদা নোং কন্না চুবদগী ঈচাও থোকপদা মীওই ১৫ শিরে, অমাঙ-অতা থোক্লে

গুৱাহাতি, জুন ২৬ (এজেন্সি):

অসাম অমদি অরুনাচল প্রদেশ য়াওনা অৱাং-নোংপোক থংবা ইন্দিয়াগী মফম অয়াম্বদা নোং কন্না চুরকপদগী ঈচাও থোকপদা মীওই ১৫ শিরে। ঈচাওনা মরম ওইরগা মীওই লাখ ১.৮০গী পুন্সিদা চাওনা অপনবা থোকহল্লে।

রিপোর্ট অমনা হায়, ব্রহ্মপুত্র তুরেলগী ঈমায় খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থাক য়ৌনা ৱাংখৎলকপদগী মীওই ১১,৫০০ রোম খুদোংথিবা লোইদবা মফমদা হোংদোকহনখ্রে। রিজনেল মিটিওরোলোজিকেল সেন্টরনা অসাম, অরুনাচল প্রদেশ, নাগালেন্দ অমসুং মণিপুরদা নোং কন্না চুরকপা য়াই হায়না ফোঙদোকখি।

ইরাই নুমিত্তা অসামগী ধেমাজি, লক্ষিপুর, বিস্বানাথ, গোলাঘাট, জে ার্হাট, মাজুলি, সিবসাগর, দিব্রুগর অমদি তিন্সুকিয়াগী মফম অয়াম্বা ঈশিং থুমজিল্লকখি। খ্বাইদগী ফিভম শোক্লবা ধেমাজিদা খুঙ্গং ৬১ হেন্না ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লরে। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী লম্বী অয়াম্বা ঈশিং থুমজিল্লকপগা লোয়ননা মহয়-মরোং উবা লৌফম হেক্তা ৩,৪০০ হেন্না অমা-অতা থোক্লে।

অসামগী চীফ মিনিষ্টর সর্বনন্দ সোনোৱালনা ঙরাং হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিং, দিষ্ট্রিক্ট কলেক্তরশিং অমদি মরী লৈনবা সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিসকা লোয়ননা ঈচাওগী ফিভম য়েংশিনখিবগা লোয়ননা অৱাবা তারবা মীয়ামগী মতেং পাংনবা থৌরাং লৌখৎখি।

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দোরকপগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা মকোকথোংবা ওফিসরশিং উন্দুনা মফম খুদিংমক্তা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা মীপুম খুদিংমক সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোন ঙাকহন্নবা অমসুং লু-নানবগী হৈনবী থমহন্নবা খঙহনখি। অখঙ-অহৈশিংগী মোট মতুং ইন্না মহৌশাগী খল কায়রকপনা মরম ওইরগা অতেনবা মতমগী মনুংদা কন্না চুরপগা ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লবনি হায়রি। ইন্দিয়াগী অতৈ অতোপ্পা মফম খরদসু হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা নোং কন্না চুরকপগা লোয়ননা বিহারদা মীওই ৮০ হেন্না শিখ্রে।

## ষ্টেটকী পাউ

# ফ্লাইট অমদা পেসেঞ্জর ১১৪ পুশিল্লকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচ এন এস):

মণিপুরগী মপান লমদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১১৪ রোম ঙসি দিল্লিদগী ইম্ফাল তম্না পাইরকপা এয়র ইন্দিয়াগী ফ্লাইট অমনা ইম্ফাল বীর টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ৩.৪৩ রোম তাবা মতমদা দিল্লিদগী (এয়র ইন্দিয়া এ আই ৮৮৯) ফ্লাইটতা মণিপুরগী পেসেঞ্জর নুপা ৮৩, নুপী ২৬ অমদি অঙাং ৫ য়াওনা পুন্না মীওই ১১৪ পুশিল্লকখি। ফ্লাইট অসিনা নুংথিল পুং ৪.৪০ রোম তাবদা ইম্ফালদগী পেসেঞ্জর নুপা ৯৪, নুপী ১৩ অমদি অঙাং অনী য়াওনা পুন্না মীওই ১১২ রোম পুরগা দিল্লিগীদমক অমুক ইম্ফাল থাদোকখি। ঙসি ফ্লাইট অসিদা থা অসিগী ২৩ দা ইম্ফালদা লাকখিবা সী বি আইগী ওফিসল টিম দিল্লিগীদমক অমুক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ঙসি ইম্ফাল থাদোক্তুনা দিল্লি চৎখিবা সী বি আইগী মীওইশিং অদুদি সী বি আইগী জে দি এন এফ সিংহ, এস পি ৱাই কে শর্ম্মা, দেপ্যুটি এস পি সঞ্জিৎতা খল্লা অমদি সী বি আইগী এস আই নারপাৎচন্দনি। মণিপুরদা লৈরম্বা ফোরেনর অহুমসু ঙসি ইম্ফালদগী দিল্লিদা অমুক হনখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ১.৫৫ রোম তাবদা (স্পাইস জেট কার্গো এস জি ৭১১) ফ্লাইট অসিনা কোলকাতাদগী ইম্ফালদা থুংলবগা মাস্ক, ঙাগী মচীঞ্জাক, গাড়িগী স্পেয়র পার্ট, হীদাক-লাংথক য়াওনা পুন্না পোৎ-চৈ কে জি ৪৬৫০ রোম পুশিল্লকখি।

অমরোমদা, ঙসি দিল্লিদগী ইম্ফালদা থুংলখিবা ফ্লাইটতা লাকপা পেসেঞ্জর ১১৪ অদু ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা মেদিকেল ষ্টাফশিংনা থর্মেল স্কেন তৌরবা মতুংদা মখোয় মণিপুরগী ষ্টেট রোদ ট্রান্সপোর্টকী বসনা ঘড়িদা লৈবা ঐচ আর দি একাদেমিদা পুরগা থমখি। মতুংদা মখোয় মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী ওথোরিটিগী কাওবুনা অমুক মখোয়গী ক্কারন্টিন সেন্টরশিংদা পুরগা থমখি। পনবা য়াবদি হৌখিবা মে ২৫ দগী ঙসি ফাওবদা মণিপুরদা ফ্লাইটতা চঙলখিবা মীওই ১২,৫১৩ রোম শুখ্রে।

# ঙসিদগী হেভি ট্রকশিং লানবা য়ারগনি

ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচ এন এস):

মণিপুরগী য়াম্না মরু ওইবা লম্বী অমা ওইরিবা নেসনল হায়ৱে নম্বর ৩৭ ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীগী কে সিনাম খুন ময়াদা থা অসিগী ২০গী নোংয়াই মতুংদা মিটর ১০০ রোম শাংনা লম্বী নমথখিবা অদু নৌনা অমুক চীং কত্তুনা শেমজিল্লবা মতুংদা হয়েং জুনগী ২৭ তগী লম্বীদা গাড়ি থাবা হৌরগনি হায়রি।

প্রেসনা ফংবা পাউ মতুং ইন্না হায়ৱে অসিগী কে সিনাম খুন মনাক্তা নোং চুবদগী চীং নীংখায়বগা লোয়ননা লম্বী মিটর ১০০ রোম শাংনা নমথখিবদগী লম্বী অসিদা ইম্ফাল জিরিবাম ফাওনবা য়াদদুনা লৈরকখিবনি। মফম অদুদা চীং নীংখায়বদগী নেসনল হায়ৱে ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট কোপোরেসন লিমিটেদ (এন ঐচ আই দি সী এল)না অতেনবা মতমদা মথৌ তাবা মেন পৱার মেছিন তরেৎলোম পুশিন্দুনা অয়ুক অমদি নুমিদাং অনীদা লেপ্তুনা নৌনা অমুক চীং কত্তুনা লম্বী শেল্লকখিবনি।

ঙসি নুংথিল পুং ৫ রোম তাবদা ইম্ফালদগী জিরিবাম তম্না লাকপা মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্টকী বস অহাংবা ৫০ কে সিনামগী নৌনা লম্বী কল্লিবা মফম অদু লাম্থোকহনখ্রে। অদুবু লম্বীগী নাকলদা নুমিৎ তরেৎনিরোম পন্দুনা লৈরুবা হেভি ট্রকশিংদি হয়েং থাংজ নুমিৎতগী লানবা য়ারগনি হায়রি। পনবা য়াবদি হৌখিবা জুনগী ২০গী অয়ুক অঙনবদা জিরিবামদগী পোৎ-চৈ থন্না পুরগা লাকপা ট্রক ৫০০/৬০০ রোম হৌজিক কে সিনামগী নৌনা লম্বী শেম্লিবা মফম অদু লাম্থোকপা য়াদনা লৈরি। মসিদা নত্তনা ইম্ফালদা পোৎ-চৈ থারুরগা জিরিবাম তম্না লাকপা ট্রক ২০০/৩০০ রোমসু হৌজিক কোটলেন্দদগী কে সিনাম ফাওবগী মরক্তা পন্দুনা লৈরি।

অমরোমদা, ঙসি মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্টকী বস ৫০ নুংথিল পুং ৫ রোম তাবদা হায়ৱে নম্বর ৩৭কী কে সিনাম খুন ফাওদুনা চৎখিবগা লোয়ননা মখোয় অথেংবদা জিরিবাম য়ৌরগনি। বসশিং অদুনা থা অসিগী ২৮ অমদি ২৯ দা চেন্নাইদগী ট্রেনদা মণিপুরগী পেসেঞ্জরশিং জিরিবামদা পুদুনা লাক্কদৌরিবা অদুবু ওকপা চৎখিবনি হায়রি।

মরকসিদা কে সিনামগী হন্দক লম্বী নমথখিবা অদুগী নোংপোক থংবা শরুক লম্বীগী লোক নাকল পরেং অমা লৈক্রক লাওনা চত্তুনা লৈরিবনি। লোক্কী শরুক অদু নুঙপাক শাংনা ঙম্না লৈবনা লম্বী মতেক অদুসু খর খুদোংথিনিংঙাই ওইরি।

# লৌমীশিংদা হার ফংহনবগী থবক চথরি

ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচ এন এস) : কুম্বী এ সীগী লৌমীশিংদা য়ুরিয়া হার ফংহনবগী মখা চথরকপা ওইনা ঙসিসু নাপৎ ময়াই লৈকায়, ৱাঙু পার্কিং, ৱাঙু শন্দেল মখা লৈকায় অমদি বোরায়াংবী মুস্লিম খুননচিংবদা হার খুৎশিন্নখ্রে।

সোসল এক্তিভিষ্ট সঞ্জয় অহন্থেমনা ফোঙদোকখিবদা, পাট্টা অমসুং আধার কার্দ পীশিল্লকপা লৌমীশিংদা হার পীবনি। লৌমীশিংনা পীশিল্লকপা আধার অমসুং পাট্টাশিং অদু দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসতা থাজিল্লগা হারশিং অসি পুরক্তুনা লৌমীশিংদা পীবনি। মখা তানা হার পাম্বা লৌমীশিংনা পাট্টা অমদি আধার য়াওনা সবমিট তৌবীয়ু। কোভিদ-১৯গী লোকদাউন মনুংদা লৌউ-শিংউগী থবক্তা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবগা লোয়ননা অহোংবা মমলদা হার ফংহন্নবা ঐখোয়গী টিমগী লৌমী ভলন্টিয়রশিংনা মতেং পাংবীবা থাগৎপা ফোঙদোক্লি। হার ফংলবা লৌমী মীয়াম্না লোকদাউন মনুংদা চৎথোক-চৎশিন য়াদবা অমদি পেসেঞ্জর গাড়ী চেন্দবা লোয়ননা বিষ্ণুপুর তান্না চৎতুনা ক্যু লেপ্তুনা মতম মাঙগদবা কয়াদু য়েংলগা অহোংবা মমলদা য়ুম-য়ুমদা হার থিনবগী থবক অসি চথবনি। থৌরাং অসি পায়খৎলকপগীদমক লৌমী কয়ানা থাগৎপসু ফোঙদোক্লখি। হৌজিক কোভিদ-১৯গী তঙাইফদবা মতমসিদা লৌউ-শিংউগী থবক্তা মীৎয়েং চঙদুনা পোত্থোক পুথোক্লবা হোৎনরিবশিংদা শৌগৎসি হায়খি।

# এক্সিদেন্টতা নুপা ১ শোক্লে

ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচ এন এস) :

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী পোরোমপাৎ পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা কোংবা মীতৈ ময়েক হায়স্কুলগী ক্রোসিংদা ওইল টেঙ্কর অমগা দাইও থৌরকপা নুপা অমগা থেংগাইনবদা দাইও থৌরকপা নুপা অদু শোক্তুনা মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়কন্নখ্রে।

থৌদোক অসি ঙসি নুমিদা-ৱাইরম পুং ৬ রোম তাবা মতমদা থোকখিবনি। গাড়ি থেংগায়নবা অদুদা শোকখিবা নুপা অদু অহানবদা পোরোমপাৎকী জে নিমস হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়কন্নখি। মতুংদা রাজ মেদিসিটিদা অমুক পুখত্তুনা লায়কন্নখি। হৌজিক মহাক্কী ফিভম খরা লুনা লৈরি। মহাক ফোরেষ্ট গাদনি হায়রি।

# দ্রগ লল্লোনবা অমা পোৎকা কোন্ননা ফারে

ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচ এন এস) :

হৌজিক মীয়াম্না কোভিদ-১৯গী লাইচৎ কন্না মায়োক্নরিঙৈ মতম অসিদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক দ্রগ লল্লোনবা মীওই অমসু পুলিসনা লিলোং তুরেল অহনবী এরিয়াদগী ফারে।

ঙরাং নুমিদাং পুং ১০.১৫রোম তাবদা চপ চাবা পাউ অমা ফংবদগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি ডা. এস ইবোমচাগী মীৎয়েং মখাদা লিলোং পুলিস ষ্টেসনগী ও সী ইন্সপেক্টর ও অজিৎনা লুচিংবা টিম অমনা লিলোং তুরেল অহনবী সিরিমথোংদগী দ্রগ লল্লোনবা নুপা অমা ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়, ফারবা নুপা অদুগী মমিংনা এম দি ফরুক (৩৭) অপোকপা এম দি অনুৱর আলি কৌই। মহাক লিলোং তুরেল অহনবী উপাক থোং মখাদা লৈবনি। মঙোন দগী ফংলিবা হেরোইন পাউদর অদু প্লাষ্টিক্কী তোঙান-তোঙানবা সাপোন কেপ ২০ লোমদা হাপ্লগা থম্লবনি। মহাক্কী মথক্তা লিলোং পুলিস ষ্টেসন্না কেস অমা লৌখৎপগা লোয়ননা মখা তাবা থিগৎপগী থবক চথরি হায়রি।

# নাগা নালাদা গাড়ী খাম্ফম শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচ এন এস) :

থাঙ্গাল কৈথেলদা গাড়ী চিনবগী চাং হন্থহন্নবগী পান্দমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ঙসি নাগা নালাদা গাড়ী খাম্ফম অমা শঙ্গাখ্রে।

পাউমীশিংদা ৱা ঙাংখিবদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি মদুদি, নৌনা শঙ্গারিবা গাড়ী খাম্ফম অসিদা চাউরাক্লা কাংখোং মরি পানবা গাড়ি ১১৬ খাম্বা য়াগনি। থাঙ্গাল কৈথেল এরিয়াদা লৈরিবা গাড়ী মপু ১০৬ মফম অসিদা গাড়ী খাম্নবগী অয়াবা পীরগনি। মনাক নক্লা লৈবা মীওইশিংদি ইমুং-মনুংগী মীওইশিং নৎত্রগা দ্রাইভরনা কৈথেল ফাওবা থিল্লম্লগা গাড়ী পুদুনা হনখিগদবনি। থাঙ্গাল কৈথেল অমসুং পাওনা কৈথেলদা গাড়ী খাম্নবগী অয়াবা পীরোই।

পাওনা কৈথেলদা লৈরিবা মীওইশিংগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, অথুবা মতমদা গাড়ী খাম্ফম অমা জোনষ্টোন স্কুল মনাক্তা শঙ্গারগনি। স্মার্ট সিটি প্লানকী মখাদা মথোল কয়া লৈবা গাড়ী খাম্ফম অমা শানবগী থৌরাংসু লৌখৎলে। থাঙ্গাল কৈথেলদা লৈরিবা গাড়ী মপুশিংনা লম্বীদা গাড়ী খামজিনবগী মহুৎতা মহুদনা পীরিবা গাড়ী খাম্ফমদা খামগদবনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা গাড়ী খাম্ফম শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা য়াইস্কুল এ সীগী এম এল এ, টি ঐচ সত্যব্রত, কম্মিস্নার (মহুদ) নিধি কেশরৱানি, দিরেক্টর (মহুদ) টি ঐচ হরিকুমার, ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী কোর্পোরেটরশিং অমদি অতৈ ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

# জুন ৩০ দা মীফম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচ এন এস) :

দিপার্টমেন্ট ওফ স্কুল এদ্যুকেসন অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ হায়র এন্দ টেক্নিকেল এদ্যুকেসন্না শীন্দুনা জুন ২০ দা ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোক্কনি হায়না থৌরাং তৌরম্বদগী য়ৈথোক্তুনা লাকখিবা মীফম অদু জুন ৩০গী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

কম্মিসনর এদ্যুকেস (এস) টি রঞ্জিৎনা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমগী মতুং ইন্না মীফমদা খন্নগদৌরিবা মরু ওইবা ৱাফমশিংদি এদ্যুকেসনেল ইন্সটিট্যুসনশিং হাংদোক্লমদাই অমসুং হাংদোক্লবা মতুংদা লৌখৎকদবা চেকশিন-থৌরাংশিং; স্কুল/কোলেজ/অতৈ মহৈ তম্ফম লোইশঙশিং থোঙ হাংদোকপগী অকক্লবা মতম; রিভাইস একাদেমিক কেলেন্দরদা য়াওবা ৱারোলশিং অমসুং কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা স্কুল/কোলেজশিং হাংদোকপদা থেংনগদবা ৱাফমশিংগী মতাংদনি।

মীফমদা শরুক য়াগদবা স্কুল/কোলেজ পুন্নমক্কী প্রিন্সিপাল অমদি হেদ; মহৈরোয়শিংগী লূপ; এন জি ও অমদি এদ্যুকেসনগী লমদা থবক তৌরিবা সোসল ৱর্কর পুন্নমক্লা অইবা সজেসন অমদি মোটনচিংবা পুন্নমক মীফম হৌদ্রিঙৈদা অমসুং মীফম পাঙথোক্লিঙৈদা হার্দ কোপি নৎত্রগা সোফ কোপি ওইনা পীশিল্লকদবনি লোয়ননা শরুক য়াগদবা মীওই পুন্নমক ফেস মাস্ক উপ্তুনা সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোন ঙাকপগা লোয়ননা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দোরক্তনবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়রি।

# মীওই ৬০৪ দিটেন তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচ এন এস) :

লমদম অসিদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি মায়োক্লনবা লৈঙাক্লা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু থমদুনা মীয়াম য়ুমদগী মপান থোকহন্দনবা থবক লৌখৎলিঙৈ মনুংদা লম্বীদা থোরকপা মীওইশিংনা মাস্ক উপ্তবা, সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা মীওই ৬০৪ অমদি গাড়ি ৩০১ ফাজিন্দুনা দিটেন তৌখ্রে। মণিপুর পুলিসনা ঙসি তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদগী লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু থুগায়বা মীওই ৬০৪ অমদি গাড়ি ৩০১ ফাগত্তুনা দিটেন তৌবগা লোয়ননা মখোয়দগী লুপা ৫১,২৫০ রোম ফাইন থিহনখ্রে।

লৈঙাক্লা লৌখৎলিবা চৎন-কাঙলোনশিং থুগায়দুনা থোরকপা মীওইশিংগী মথক্তা নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট ২০০৫ কী মখাদা অকনবা চৈরাক পীবা য়াই হায়না পুলিসনা অকনবা চেকশিন ৱা থম্লক্লি।

# ইন্টরনেসনল দে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ

ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচ এন এস) : ইন্টরনেসনল দে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ এন্দ ইলিসিট ট্রাফিক্কিংগী থৌরম ঙসি ককচিং অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লূপশিংনা শীন্দুনা পাঙথোকখ্রে।

ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মফম কয়াদসু পাঙথোকখি। এস পি ভিক্টোরিয়া য়েংখোমগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা পুলিস ষ্টেসনশিং অমদি আউট পোষ্টশিংদসু পাঙথোকখি। থৌরমসিগী শরুক অমা ওইনা পুলিস পর্সনেলশিংনা শরুক য়াদুনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মায়োক্তা পাউজেল পুবা সাইকল রেল্লিসু মীয়াম তীনবা মফম কয়াদা চৎখি। মীয়াম তীনবা মফমশিংদা দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী মায়কৈদগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী অমাঙবা অমদি ময়াই কাবা চীঞ্জাক্লা খুন্নাইদা পীরকপা চৈথেংশিংগী মতাংদা এৱ্যের্নেস পীখি।

থৌরম অদুদা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এদিসনল এস পি লো এন্দ ওর্দর এ রোমেন্দ্রো, এস দি পি ও ককচিং পি শঙ্কর অমদি এস দি পি ও শুগনু ঐচ রামেশ্বরসু শরুক য়াখি। লিগেল এইদ ক্লিনিক ককচিংনসু ইন্টরনেসনল দে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ এন্দ ইলিসিটি ট্রাফিক্কিংগী থৌরমগা লোয়ননা কোভিদ-১৯গী মতাংদা ৱাখল তামিন্নবগী থৌরম অমা ঙসি ককচিং ফৌশুপাৎ লৈকায়দা লৈবা লাইব্রেরী এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা সিনিয়র এদভোকেট এন মোধু অমদি এদিসনল এস পি ওপরেসন ককচিং কে এস ঐচ মনিহারনা ৱা ঙাংখি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ইন্টরনেসনল দে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ এন্দ ইলিসিট ট্রাফিক্কিংগী থৌরম পাঙথোক্তুনা থৌবাল ৱাংমাতাবদগী হৌরগা এস পি থৌবাল ডা. এস ইবোমচানা লুচিংদুনা পুলিস পর্সনেলশিং থৌবাল কৈথেলগী অকোয়বদা খোঙচৎ অমা চৎখি। বেটর নোলেজ ফোর বেটর লাইফ হায়বা থীমদা চৎখিবা খোঙচৎ অদুদা দ্রগকী মায়োক্তা ইবা তোঙান তোঙানবা ৱারোলশিং য়াওবা প্লে কার্দশিং পায়খি হায়রি।

# নেসনল হেল্থ মিসনগী ষ্টাফ পুন্নমক রেগ্যুলর তাহন্দ্রবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি


ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচ এন এস) : নেসনল হেল্থ মিসন (এন ঐচ এম) মণিপুরগী ষ্টাফ পুন্নমক রেগ্যুলর তাহন্দ্রবদি সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক্কী খোঙজং চঙশিনবা হৌরগনি হায়না ওল মণিপুর নেসনল হেল্থ মিসন ইমপ্লোয়ীজ ৱেলফ্যের এসোসিএসন্না ফোঙদোরক্লি। এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হান্না নেসনল রুরেল হেল্থ মিসন হায়না খঙনরম্বা নেসনল হেল্থ মিসনগী থবক থৌরমশিং ষ্টেট অসিদা কুমজা ২০০৬কী জুনদগী পায়খৎপা হৌখি। মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরনা পায়খৎপা হেল্থকা মরী লৈনবা প্রোগ্রাম পুন্নমক কোনশিন্দুনা লাকখি। রেগ্যুলর ষ্টাফকা চপ মান্ননা থবক তৌরবসু এন ঐচ এমগী ষ্টাফশিংনা ফংলিবা তোলোপ/ওনরেরিয়ম কা-হেন্না য়ামদে। অতৈ অতোপ্পা দিপার্টমেন্টশিংদা কুমজা ২০১৫গী মতুং তারকপদা থবক চঙখিবা কন্ট্রেক্চ্যুয়ল ষ্টাফশিং ফাওবা রেগ্যুলর তাখ্রে। লাইবক থীবদি হৌজিক ফাওবা এন ঐচ এমগী ষ্টাফশিং রেগ্যুলর তাহন্নবগী মতাংদা কেবিনেট মীফম নৎত্রগা এসেমব্লীদা খন্নবা লৈত্রি। জুন ৩০ ফাওবদা দিমান্দ পীদ্রবদি থবক লেপ্পগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়রি।

# মহৈরোয়শিং পুক্নিং থৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচ এন এস) : পেরেন্ট টিচর এসোসিয়সন (পি টি এ) কেথোলিক স্কুল কাঞ্চিপুরনা চহী অসিগী ঐচ এস এল সী এগজামদা পোজিসন লৌরকখ্রবা স্কুল অসিগী মহৈরোয় ৬কী ময়ুম-ময়ুমদা চৎতুনা ঙমজবা খুদোল তমদুনা মহৈরোয়শিংগী পুক্নিং থৌগৎখ্রে। কেথোলিক স্কুল কাঞ্চিপুরগী পোজিসন লৌরকখ্রবা মহৈরোয়শিং অদুদি রাহুল নাওরেম ৩সুবা পোজিসন, অরাপতি ময়াই লৈকায়, বাংমৈলু গাংমৈ, ১৬সুবা পোজিসন লাংথবাল খৌপুম, বিদ্যা মাইবম, ১৮সুবা পোজিসন লিলোং চজিং মমাং লৈকায়, পিন্টু থোকচোম ১৮-সুবা পোজিসন নিংথৌখোং, শামির রহমন ২১সুবা পোজিসন, লিলোং হৈনৌ মখোং, অসলম খান ফুন্দ্রেময়ুম ২২সুবা পোজিসন লিলোং হাউরৈবী অৱাং লৈকায়দগিনি।

পেরেন্ট টিচর এসোসিয়সন, কেথোলিক স্কুল কাঞ্চিপুরগী সেক্রেটরি নোংমৈকাপম গগরিননা চহী খুদিংগী পেরেন্ট টিচর এসোসিয়সননা মায় পাক্লকবা মহৈরোয়শিংবু পুক্নিং থৌগৎলদুনা ঙমজবা খুদোল পীদুনা লাক্লি। অদুবু হন্দক চহীগী ওইনদি কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা থৌরম পাঙথোক্তুনা পুনবগী তাঞ্জা লৈতবদগী মহৈরোয়শিংগী য়ুমদা চৎতুনা পুক্নিং থৌগৎখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

## CROSSWORD-3485



**ACROSS**

1 Stinging insect (4)
3 Over the moon (8)
9 Pig's foot (7)
10 Approaches (5)
11 Painting stand (5)
12 Drowsy (6)
14 Cask (6)
16 Hatter (anag) (6)
19 Peers (6)
21 Cosa Nostra (5)
24 One of the Marx Brothers (5)
25 Skating arena (3,4)
26 Cooked egg dish (8)
27 Cleaning woman (4)

**DOWN**

1 Yorkshire racecourse (8)
2 Ceases (5)
4 Cherry-coloured (6)
5 Slight colouring (5)
6 Crush underfoot (7)
7 Cover for a teapot (4)
8 Postwar prime minister (6)
13 Assailant (8)
15 Need (7)
17 Picnic basket (6)
18 Aid (6)
20 Revere (5)
22 Belief (5)
23 Reflected sound (4)

**Solution 3484**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | A | B | B | A | T | H | | Q | U | A | F | F |
| P | | O | | B | | O | | U | | L | | I |
| O | B | O | E | S | | R | A | I | S | I | N | G |
| U | | T | | O | | N | | T | | B | | H |
| S | K | Y | B | L | U | E | | S | T | A | R | T |
| E | | | | V | | T | | | | B | | |
| S | E | Q | U | E | L | | A | T | T | A | C | K |
| | | U | | | | A | | R | | | | E |
| S | C | A | L | P | | D | E | A | D | P | A | N |
| C | | R | | R | | D | | C | | R | | N |
| O | U | T | S | I | D | E | | T | W | I | C | E |
| W | | E | | D | | R | | O | | C | | D |
| L | I | T | R | E | | S | O | R | C | E | R | Y |

SOLUTION ON NEXT ISSUE [redacted]

## HUEIYEN SUDOKU


**Hueiyen Sudoku-3284**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | 2 | | 6 | 4 | 7 |
| | | | | 7 | | | | 9 |
| | | | 5 | | | | 8 | |
| | 8 | | | | | | 2 | |
| | 2 | | 7 | 4 | 3 | | 5 | |
| | 6 | | | | | | 3 | |
| | 1 | | | | 7 | | | |
| 3 | | | | 9 | | | | |
| 7 | 4 | 2 | | 8 | | | | |

**Solution-3283**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 4 | 9 | 7 | 5 | 2 | 6 | 3 | 8 |
| 3 | 7 | 6 | 1 | 4 | 8 | 2 | 5 | 9 |
| 8 | 5 | 2 | 6 | 3 | 9 | 4 | 1 | 7 |
| 6 | 8 | 4 | 3 | 1 | 7 | 5 | 9 | 2 |
| 5 | 1 | 7 | 9 | 2 | 6 | 8 | 4 | 3 |
| 9 | 2 | 3 | 4 | 8 | 5 | 1 | 7 | 6 |
| 7 | 6 | 1 | 8 | 9 | 4 | 3 | 2 | 5 |
| 4 | 9 | 5 | 2 | 6 | 3 | 7 | 8 | 1 |
| 2 | 3 | 8 | 5 | 7 | 1 | 9 | 6 | 4 |



অসিজোলনেং

ষ্টোরি অমসুং আর্ট : সামসন সলাম

